# অয়েংবা অমসুং অতাবা

রন্দোল্ফ মোইরাংথেম

**মীয়ামগী** পূক্নিং হুখ্রবা প্রোজেক্ট দিরেক্টর অরাম্বম লক্ষমিরানিগী ইন্দিয়ন ক্লাসিকেল ম্যুজিক্তা যূম্ফম ওইবা অয়েবা, অখোংবনচিংবশিংগী পূন্না খোংমিন্নবা অমদি য়েমিন্নবগী মায় পাকখ্রবা ম্যুজিক্কী ওইবা খুদোল : এপ্রিল ৭, ২০১৮গী পুং ৪ তাবা মতমদা শ্রীশ্রী বাল মুকুন্দ দেব গভর্ণমেন্ট ম্যুজিক কোলেজ, ইম্ফালগী ওদিটোরিয়মদা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া ফোর দি য়র ২০১৭-১৮গী ওইবা কলচরেল ফঙ্কসন এন্দ প্রদক্সন গ্রান্ট স্কিমগী শেন্থং মখাদা অরিবম লক্ষমিরানিনা প্রোজেক্ট দিরেক্টর ওইবা Musical Ensemble অমা পাঙথোকখি। ইকায়খুম্নবদা মতিক চারবা জে এন এম দি এ, ইম্ফালগী দিরেক্টর শ্রী এল উপেন্দ্রো শর্ম্মজি অমদি শ্রী বুধ চিংথাম, ইমিনেন্ট আর্ট ক্রিটিক, প্রোগ্রাম কম্মিটি মেম্বর (ঈ জেদ সী সী), কোলকটানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্টকী ফম্ফম লাংদা লেংশিনবিখি। থৌরমগী মখা চত্থরকপা ওইনা আর কে সনাতোম্বা, সেক্রেটরি, The rhythms of Manipur না লেংবীরক্লিবা অমদি লেংবীরক্লিবী পূন্নমকপু ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা তরাম্না ওকচখি।

মালেমদা লৈরিবা মশীং থিঙমদ্রবা আর্ট ফোর্ম ময়ামশিংগী কন্সলটেন্টকী থৌদাং লৌবিরিবা শ্রীশ্রী বালমুকুন্দা দেব গভর্ণমেন্ট ম্যুজিক কোলেজ, ইম্ফালগী প্রিন্সিপাল, লৈবাক মীয়াম্না শকখঙবীরবা অমদি পাফোর্মিং আর্ট ফোর্ম কয়াদা থোইদোক হেন্দোক্না মনুং হঞ্জিন্না খঙবীরবা লাইময়ুম দেবেন্দ্রজিৎ শর্ম্মগী ৱারোলশিংদা অসুম্না থম্বীখি : কন্সলটেন্টকী ৱারোলদা য়াম্না ৱাঙুলোনশিং য়াওনা থিজিল্লগা মালেমদা মমিং লৈরবা ভারত মুনিনা ইবিরম্বা থিএটরগী লাইরিক ভারত নাত্য সাস্ত্রদা যূম্ফম ওইরগা কম্পোজ তৌবনি হায়না ফোঙদোকপীখিবসি য়াম্না কান্না রিছার্স ৱর্ক তৌদ্রবদি ঙম্ফম শুকথোক থোকপগী ওইথোকপা লৈফম থোক্লোই হায়বা ৱাফমশিং অসি লাল্লরোইদবা ৱাফমশিংগী মনুংদা অমনি। ভারত নাত্য সাস্ত্র হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মতমদা অমদি লাইরিক অসি ইবদা মতম কয়া য়াম্না চঙখিবগে হায়বগী মতাংদা আর্ট ফোর্ম কয়া অমগী ওথোরিটি ওইরিবা অমদি Historical Development of Indian Music, A CRITICAL STUDY গী Author SWAMI PRAJNANANANDA না অসুম্না ফোঙদোকই- I would like to ascribe the date of Muni Bharata, the author of the Natya Sastra, to "3rd Century B.C. to 2nd Century A.D. as has already been mentioned in my books. Therefore, I request the readers to correct and read the date accordingly. হৌজিক্কী মতমদা Musical Ensemble হায়রিবা অসি Fusion Music, World Music হায়না খঙনরম্বদগী হৌজিক্তি ***"LAUNCH MUSIC"*** হায়না মালেমগী পাফোর্মিং আর্টকা মরী লৈনবশিংনা খঙনরে। লোয়ন-লোয়ননা মালেমগী খ্বাইদগী চাউরবা ***"GRAMMY AWARDS"*** তা ত্রেদিসনেল অমসুং কন্টেম্পররি হায়না কেটাগোরি অনীদা এৱার্দ অনী অসি পীরি। ***চীংদা শাৎপী ইঙেল্লে চিন্নদনা কেনখিবা কল্লকইদে/ঐনা কেনগে কেনবরা? মালংবনা হুম্বগী কেনবনি দে*** হায়রিবা **"GRAMMY AWARD"** কী **"LAUNCH MUSIC"** কী কেটাগোরি অনীখক্তা লমদম অসিগী আর্টিষ্টশিংনা লৌবা ঙম্বগী হৈথোই শিংথোইবা অৱাৎপা অমত্তা লৈতে। চীংদা শাৎপী ইঙেল্লে কৌবী লৈরাংগী পাংখক্লি লমদম অসিগী আর্ট ফোর্মশিং অসিবু কনানা মালেমগী মীয়ামদা উৎলুগনি। ***ঐনা কেনগে কেনবরা? মালংবনা হুম্বগী কেনবনি দে*** হায়রিবা **"LAUNCH MUSIC"** এৱার্দ অসি লৌনবা হোৎনবদা প্রেক্টিশ য়াম্না তৌবগী মথৌ তাই। লমদম অসিগী আর্টিষ্টশিং অসিদি লায়রবশিংনা চাদা ৯০ (চান্মদা মরিফুতরাগুম্বা ওইরমগনি খঞ্জে)। লমদম অসিদা লুপা লাক্ষপতি পায়বা মীওই ময়াম অমা লৈরি। মখোয়শিং অসিনা আর্ট ফোর্মশিং অসিদা পৈশা মতিক চানা থাদবিরবদি মখোয়শিংগী মমিং চাউনা লৈবগা লোয়ননা লৈবাক মীয়াম্নসু ইকায়খুম্নগনি। আর্টিষ্টশিংগী ওইনদি মালেমদা কম্পিট তৌবা ঙম্বা আর্টিষ্টশিং লমদম অসিদা অৱাৎপা লৈতে। ***ঐনা কেনগে কেনবরা? মালংবনা হুম্বগী কেনবনি দে।*** লন-থুম মতিক চানা পায়রিবা মীশকশিং অসিনা মালংবগী মহুৎ শিন দুনা লৈরাং ইঙেল্লেগী লৈখোংশিংদা মতিক চানা মালেমগী থাক্তা লৈখোং শোন্বীরবদি **"GRAMMY AWARD"** ফংদনীংঙাই লৈতে।




থৌরমগী মখা চত্থরকপা ওইনা ইকায়খুম্নজরবা চীফ গেষ্টকী ৱারোলশিংদা কলচরেল ওর্গেনাইজেসনশিংগী য়াম্না ৱানা পৈশা লৈত্রবসু লৈতনা থবক্তি তৌদবা য়াদবনিনা মরী লৈনবা শেন্থং পীবা ঙম্বশিং লন্নাই ওইরবসু গভর্ণমেন্টকী ওইরবসু কলচরবু চাওখৎনবা মতেংশিং পীহন্নীংবগী ৱারোলশিং থম্বীখি।

থৌরমগী প্রসিদেন্টগী ফম্ফমলাংদা লেংশিনবীখিবা ইকায়খুম্নজরবগী ৱারোলদা য়াম্না মরু ওইরবা মালেমগী থাক্তা ৱাঙুলোনগী হীরমদা মমিং লৈরবা এরিষ্টোটলনা কলচরদা নৈনরম্বশিংগী রিছার্স ৱর্কশিং নৈনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বা ৱাফম থম্বীখি। লোয়ন-লোয়ননা World reknowned Theatre Maestro Ratan Thiyam গী ৱর্কশিংবুসু ঙমখে লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকপীখি।

ইকায়খুম্নজরবা প্রসিদেন্টকী ৱারোলদা খ্বাইদগী মরু ওইনা থম্বীখিবসি **"MINISTRY OF CULTURE, GOVERNMENT OF INDIA"** গী মখাদা লৈরিবা কলচরেল বোদিশিংগা লৈনবা মরীশিং শেমদোকহন্নীংবগী ৱাফমশিং থম্বীখি। লোয়ন-লোয়ননা থাঙ-তাগী ওইবা নুংগী মরীক চুম্বা ৱাফমসু থম্বীখি।

**"MADHUBANTI"**

খোয়থুম্নমা মেংলবা Bansuri গী Alap অমনা ইন্দিয়ন ক্লাসিকেল ম্যুজিক্তা যূম্ফম ওইবা Madhubanti হায়না মীংথোনবা Musical Ensemble অদু হৌদোকখি। মখা তারকপদা Taal Pancham Sawari, 15 Beats time cycle দা Group Music Composition Sitar, Swar Mandal, Guitar অমদি Tabla গী ওইবা অপূনবগী নিল খোংলবা ফজরবা ম্যুজিকেল ওইবা খোঞ্জেলনা ম্যুজিকেল কম্পোজিসনগী ওইবা রস অমদা হোংলগা পুরকপগী ফজবা মীয়ামদা উৎখি। হায়রিবা মপুথোক অসি ম্যুজিকেল কম্পোজরগী ফজনা নাথৈদুনা পুরকপা মপুথোকনি। মথং তারকপা ম্যুজি কম্পোজিসনদা Ektaal (12 Beats time cycle) দা টবলাগী অহেনবা কম্পোজিসন অমনা হৌরগা গ্রুপ ম্যুজিক কম্পোজিসন অমা চত্থরকখি। ভাইওলিন সোলোদা বেক গ্রাউন্দ ম্যুজিক্না ফজহনবগী মপুথোক্না ফজবগী মওং অমদা অমুক পুরকখি। 7 (Seven Beats time cycle) দা অমুক অনৌবা রস অমা পুথোরক্তুনা মাত্র ৭ (তরেৎ) তা শেম্বা ম্যুজিক কম্পোজিসনগী তোঙানবা খুদোল মীয়ামদা থমখি। Taal Dadra দা শেম্বা ফজরবা Alap শিং টানশিংনা Musical Ensemble বু নীংথিজহনখি। Hindustani Classical Music তা খ্বাইদগী পোপ্যুলর ওইরিবা 16 Beats Time Cycle না শেম্বা Teentaal দা টবলাগী অতেনবা কম্পোজিসন অমনা হৌরগা মথং মথং Alap শিং টানশিংগী ফজবশিংনা Teentaal গী মগুন হেনগৎহনখি।

অরোইবদা, লাইট ম্যুজিক্কী খ্বাইদগী পোপ্যুলর ওইরবা Taal Kaharava 8 (Eight Beats Time Cycle) দা মখল মখলগী সাউন্দ ওইবা নাইতোমগী ওইবা খুখোংশিং, পুল্লপকী ওইবা খুখোংশিং খোংলবগী তুংদা য়াম্না ফজরবা Tihai অমনা প্রোজেক্ট দিরেক্টর ওইবা অমদি Laimayum Devendrajit Sharma না ম্যুজিক কম্পোজর অমসুং ম্যুজিক কন্সলটেন্ট ওইবা Music Ensemble Madhubanti মায় পাক্না মীয়ামদা খুদোল তমখি।

Musical Ensemble অসিদা শরুক য়াবিখিবা অমদি য়াবিখিবী আর্টিষ্টশিং অদুদি -

1. Arambam Laxmirani - Sitar
2. R. K. Panthoi - Violin
3. Rajkumar Ruby - Violin
4. Haobam Nisheshwor - Violin
5. Moirangthem Cherish - Violin
6. Basker Yumnam - Violin
7. Ch. Yaipuremba - Violin
8. Arambam Dorendro - Flute
9. Sarangthem Babita - Flute
10. Ghanaraj Pebam - Flute
11. Kshetrimayum Devendro - Flute
12. Khumukcham Noren - Swar Mandal
13. Kelvish Naorem - Guitar
14. Elangbam Herochand - Tabla.

# চৈরাউবগী নুংগী ওইবা ৱাফম

ব্রহ্মাচারিময়ূম
গুনমনি শর্ম্ম

**চৈরাউবা** মণিপুরদা খুন্দারিবা মৈতে গৌড়িয়া বৈষ্ণব ধর্ম্ম চৎচবা অদুগা মৈতে লাইনীং চৎচবশিংনা চহী খুদিংগী শজিবুগী নোংমা পানবা অমদি এপ্রিল ১৩, ১৪দা পাঙথোক্নদুনা লাকই। চহী কুমজা অমা হায়বসি রবি গ্রহ (নুমিৎনা) মেষ রাশিদগী হৌরগা রাশি ১২না কোয়না চৎলি। রাশি অমমমদা থা অমমম লৈ। থা ১২ চঙনা চৎলি। মসিদা কোয়বা চৎপগী মতম নুমিৎ মশীং অসি চাউরাক্না ৩৬৫গা পুং ৫ মিনিট ৪৮ সেকেন্দ ৪৭ চহী অমা ওই। মসিবু সোলর মন্থকী চহী অমনি। মতাং অসিদা পনবা য়ারিবদি নুমিৎনা রাশি ১২দা মথং মথং লাকপসিনা অরোইবা মীন রাশি চৈত্র কৌবা থাদা থা অমা ফারক্লবা নুমিৎ মশীং ৩৬৫ অহানবা/মরিশুবা পুংফমদগী সৌর জগৎ তাইবঙ পানবগী চহী কুমজা অমা মপূং ফারে মসিবু নিরায়ণ (সোলদিয়ার) কৌই। মথং পুংফমদগী মেষ রাশিদা নুমিৎনা চঙলকপা পুংফমদগী চহী হৌবা নুমিৎনি। মসিবু মালেম্না নুমিৎকী অকোয়বদা রিভোল্যুসন তৌবদা চঙবা মতম অদুমক্লি হায়না লৌনরিবনি। মসিবু এপ্রিল ১৩, ১৪ মণিপুরগী গৌর চৈরাউরিবা নুমিৎ অসি সোলর মন্থকী অনৌবা চহী হৌবগী পুংফমদনি, চৈত্রগী মতম লোইদুনা বৈসাখকী নোংমা পানবদনি, মশীং থিবা হায়বসি অমদগী হৌরগা থিনবনি অদুনা গৌড়গী চৈরাউবা অসি সোলরগী নোংমা পানবগী পুংফম চঙএ হায়দুনা লাউবনি। ইন্দিয়া অমদি মণিপুরদা পাঙথোক্লরিবা প্রর্ব্বাদিন লাইথৌ থৌরম অয়াম্বা থবান্দা চৎনৈ, খুদম ২০১৮গী শজিবুগী ১০নি পানবদা কনাগুম্বা মী অমা লৈখিদ্রবা মদু মথং চহী ২০১৯গী এজিবু ১০নি পানবদা ফিরোই পাঙথোক্কনি। মসি থবান্দা পাঙথোকপগী মওংনি, অদুবু হৌজিক্তি কনাগুম্বা অঙাংশিংগী বার্থ দে সেলেব্রেসন পাঙথোকপদা গ্রেগোরিয়ন কেলেন্দরগী তারিখতা পাঙথোক্লে। অদুবু তোঙানবা লাইথৌ থৌরম মরিখক্তি থবান্দা অমদি গ্রেগোরিয়ন তারিখতগী লৌরগা পাঙথোক্লদে মদুদি (১) ৱাকচীং থাগী মকর সংক্রান্তি (২) অমুবাজি (৩) বিশ্বকর্ম্ম পুজা (৪) এপ্রিল ১৩, ১৪গী গৌড়গী চৈরাউবা হায়রিবা মরি অসি সোলরগী খোঙচৎতা লৌরগা পাঙথোকই, অদুনা থবানগী খোঙচৎতা পাঙথোক্তবা পূন্নমক চৎনবা য়ারোই হায়বা লানগনি, লুনরগী, সোলরগী খোঙচৎ তোঙান তোঙান্না লৈরিবনি, লুনর থাগী খোঙচৎ অসিদি সোলর মন্থকী খোঙচৎকী মখা পোন্না হিংজবনি।

শজিবুগী নোংমা পানবা লাউরিবসি ঐখোয় মৈতৈগীনি হায়না হায়নরি। মসিদা খন্থনীংঙাই ওইরিবদি নোংমা পানবগীসিদা মরুওইনা পাঙথোক্লরিবসি ভারতবর্ষগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লিবা সংসারগী লৈশেম্বা মপূ ব্রহ্মানা জগৎ শেমখিবগী নুমিৎনি হায়না লৈরি, অদুগা প্রভু রামচন্দ্রনা রাজ অভিষেক তৌখিবা নুমিৎনি, মথংদা যুদ্ধিষ্টিরনা কলিআব্দা কলিগী চহী হৌদোকখিবা নুমিৎনি, মথংদা বিক্রম সম্বতনা কলিগী চহী হৌদোকখি, অদুগা শজিবুগী নোংমা পানবা অসিবু ভারতবর্ষনা ঋতু রাজ হায়না অনৌবা চহী হৌবা নুমিৎনি, লোয়ননা নুমিৎ অসি আয্য লিংখৎখিবা নুমিৎনি। অদুনা ঐখোয়না মৈতৈগীনি হায়রিবা নুমিৎ অসি ইন্দিয়া পূম্বগী মৈহৌরোল লৈশেমলোনগী নুমিৎ অদুগা ইমান মান্নরে। মৈতৈশিংনা শজিবুগী নোংমা পানবদা লাউরিবসি হিন্দুশিংগী লৈশেমলোনগী চহী হৌবা নুমিৎতুমক ওইরম্বসিদা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা ৱাহং কয়া অমা লাক্লরে, মসিবু ঐখোয়গী ওইরিব্রা?

অদুগা গৌড়গী এপ্রিল ১৩, ১৪দা লাউরিবসিনা সোলর মন্থ (নুমিৎকী) খোঙচৎতা লাউবনি। মসিদা পাঙথোক্লিবা লৈবাকশিংদি থাইলেন্দগীনা (সঙক্রান), লাওসকীনা (সঙক্রান পিমাই লাও), ম্যান্মারগীনা (থিঙয়ান), কম্বোদিয়াগীনা (চোল চনম তামে), কেরলা, পঞ্জাব, হরিয়ানা, বেঙ্গোল (অনৌবা চহী হৌবা পোহলা বৈসাখ), অসাম (অনৌবা চহী হৌবা বোহাক বিহু), হিন্দু সিখ (বৈসাখী), টামিল নাদু (পুথান্দা), ওরিষা (পনা সঙ্ক্রান্তি), শ্রী লঙ্কা (অলুঠ অবেরেদু), কর্ণাটাকা (বিষুব) অসিনচিংবা লৈবাকশিংদা পাঙথোকই। অদুগা মরুওইনা সাউথ এসিয়াগী লৈবাকশিংদা এপ্রিল ১৩, ১৪দা পাঙথোক্লরিবা অসিসু ময়াংগী মতৌ তম্বা হায়না লৌগদ্রা? অদুগা মসি চড়ক পুজা ওইবা তারিব্রা, অদুগা মণিপুরদা চৈরাউবা অসি চড়ক পুজা নত্তে, কনাগুম্বনা পাঙথোকপা তারবদি মদু পুথোকপীরকপা ফগনি। এপ্রিল ১৩, ১৪দা লাউরিবসি চহী লোইরে হায়না লাউবা খক্তা নত্তে, চহী অমগী অরোইবগা মদুগী হৌরকপগা তাইনফমদা লাউবগী চৎনবীদুনি, অদুবু পুংফমদুমক্তি পাঙথোকপা ঙমদবনিনা ময়াম সধারনগী পাঙথোকপগুম্না পাঙথোকপনি। শজিবুগী নোংমা পানবদা লাউরিবসি লুনর মন্থ খোঙচৎ অসিদি মশীং থিবদা নুমিৎ ৩৫৪, ৩৫৫ করিগুম্বা চহীদনা নুমিৎ মশীং ৩৮৫ শুবসু য়াওই, অদুনা মসি অরেপ্পা লৈতবা খোঙচৎ অমগুম্বনি। অদুনা মালেমগী ওইনা চহী ১ হায়বগী মতম সোলরগী খোঙচৎ নুমিৎ মশীং অসি ৩৬৫নি, মসি ঋতুগী খোঙচৎনি পূন্নমক্না য়ানরবা ৱাফমনি।

অদুনা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি ইনিংথৌ ক্যাম্বগী মতম খৃ: ১৪৮৪ অসিদগীদি নুপা মরিনা চৈ পায়দুনা লাউরম্বদু চৈ থাদোক্তুনা নুপা অমখক্তনা লৈবাক্কী অমদি নিংথৌগী থৌগাই থৌদা পুবা হৌরকখি হায়বনি। মসিনা থোরক্লিবা ৱাফমদি ঐখোয় মৈতৈশিংনা ৱাহৈ পাবগী মতাংসি অনেম-অৱাং, অরুম-অয়াংদা শীজিন্নৈ। চৈ পায়দুনা লাউরম্বদগী চৈ থাদোকখ্রে হায়বসিদি ৱাহন্থোক থোক্ত্রে, ওন্নরে। মসিগী মহুত্তা চৈ থেল্লগা মশীং থাবা (মশীং পাবা) নুমিৎ থবান কুমশিং মশীং শুরে হায়দুনা চৈ-থাবা, চৈথাবা মসিনা হেন্না চুশিন্নৈ হায়না খঞ্জে। মতাং অসিদা পঞ্জনীংলিবা ৱাফমদি, চৈ পায়রগা লাউবা হায়বসি মতম অদুদা পাউচে, টেলিভিজন, রেদিওনচিংবা লৈতবনিনা শগোল তোংদুনা খোক-ৱা চৈদা শরিক পুন্দুনা, লাউদুনা চৎলিবসি মতম অদুগী পাউ চেনবনি (এদভর্টিজমেন্ট) তৌবনি। মসি চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না অতোপ্পা পোৎশক অমনা মহুৎ শিনখিবনি। মসিদা নুপা ৪না লৈবাক্কী পাউ পীবনি অদুগা চৈথাবা হায়দুনা লাক্লিবসিনা লৈবাক্কী নিংথৌগী চহী অমগী অৱা-অনা, থৌগায়-থৌদা পুরিবনি। তশেংনা হায়রবদা উশিন শিনবগুম্বনি অদুনা পানা লাকপা ৪না চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না চৈ থাদোকখিবসিগা অতোপ্পা কনাগুম্বা নুপা অমনা লৈবাক্কী নিংথৌগী অৱা-অনা মহুৎ শিনবসিগা চৈথাবা ওইরিবা অসিগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। অদুগা নোংমা পানবগী চৈরাউবসি কুমজা ১৯৯৮, মার্চ ২৮ শজিবু নোংমা পানবা নোংমাইজিংদা মৈতে চহী হৌবা, কুমজা ১৯৯২দসু মৈতে চহী হৌবা, কুমজা ২০০০ এপ্রিল ৮, শজিবু নোংমা পানবা মৈতে চহী হৌবা হায়না মণিপুর দাইরিদা য়াওদুনা ফোঙখ্রবনি। অমনা এপ্রিল ১৩, ১৪দা লাউরিবা অসি গ্রেগোরিয়ন কেলেন্দর অমদি থবানগী নুমিৎকা মরী অমত্তা লৈনদে। কনাগুম্বনা গ্রেগোরিয়ন কেলেন্দরগী মতুংইন্না অমদি মতৌ তম্বগী ৱা ওইনা হায়বা ইরকপা য়াওই। মদুদি খঙদদুনা হায়বনি। মসিমক্তি রবি গ্রহগী মহৌশাগী লাইরেম্বী ঋতু খোঙচৎকী মতুংইন্না ওইরকপা নুমিৎনি। রবিগী অয়ানাংশ খোঙচৎ অসি চাংচৎতা চহী অমদা ৫৪ (কলা) ওইবনা চাউরাক্না চহী ৭২মুক্কী মতুংদা অয়ানাংশ দিগ্রি অমা ওই। মরম অসিনা চহী ৭২মুক্কী মতুংদা গৌড় চৈরাউবসি গ্রেগোরিয়ন তারিখতা নোংমা চোন্থরক্কনি। খুদম অমনা মৈদিংঙু চন্দ্রকৃতি সনা হাক্তক্তা ১৪নি ইরাইদা বিষুব সংক্রান্তি ওই। কুমজা ১৯১৫, ১৫নি থাংজদা শজিবুগী পালোক ওইএ। অদুগা ফুট নোটতা ১৪নি ইরাই তাং ১১/৪/১৮৭৩, চৈত্র ৩০ চৈরাউবা হায়না য়াওরি। মতম অদুদা এপ্রিল ১১/১২দা পাঙথোক্লমই। রবিগী খোঙচৎতা পাঙথোকপনিনা গ্রেগোরিয়ন তারিখ থবানগসু মরী অমত্তা লৈনদে হায়না মশানা তাকএ।

মণিপুরগী গৌড় চৈরাউরিবা অসি মহাবিষুব সংক্রান্তি কৌই। হায়রিবা নুমিৎ অসিদা খ্বাইদগী হেন্না ফরিবনা তাইবঙ মপূ শ্রী মহাদেবগী অফবা নুমিৎ মীপূম খুদিংমক্না ঙাইনরিবা অফবা নুমিৎতুনি। নুমিৎ অসিদা চীংদা কাদুনা মহাকপু থৌনিজরবদি য়াইফবা ওইবনি। অদুগা মহাক অসি দ্রাবিদ দ্রাবিদিয়ন, হিমালয়ন, হিমালয়ন পীপল হায়বদি ত্রাইব মোঙ্গোলোইদশিংগী লীরবা লাইনি লোয়ননা চীংদা তোংবা, চীংদা লৈবা চীংগী মপূনি হায়না মহাকপু মালেম পূম্বদা নীংনরি।

**ঐখোয়গী চৈরাউবা কয়াম কুইরবগে হায়বগী মতাংদা ৱাফম অমত্তং :-**

মণিপুরগী অখণ্ড অহৈ ওজাশিংনা লাইরিক্তা ইবিরকপদা হৈ চক হৈয়া চক্কী মতমদগী অদুগা নোংদা লাইরেন পাখঙবা হাক্তক্তগী লৈকায় লৈকায়গী পানা লাকপা মরিনা পানাগী ফি শেৎতুনা লৈকায়, লৈরক-খুল্লক্তা খোক ৱা চৈদা শরিক পুল্লগা শরিক খিংদুনা লাউদুনা চৈথাবগী পাউ চৎলি হায়না থম্বীরি। অদুবু মতাং অসিদা পঞ্জনীংলিবা ৱাফমদি মণিপুরদা পানা লৈরকখিবসিদি ইনিংথৌ ক্যাম্বগী মতম কুমজা ১৪৮৪দা অহল্লুপ পানা অমদি নহারুপ পানা হায়না অনীখক লৈরে। অদুগা কুমজা ১৭১৫দা ইনিংথৌ গরিবনিৱাজ নিংথৌগী হাক্তক্তা খাবম পানা অমদি লাইফম পানা অনী হাপচিন্দুনা নিংথৌ অনীসিগী হাক্তক্তা পানা মরিখক লৈরে। অদুনা হায়রিবা নিংথৌ অনীসিগী মমাঙদদি নিংথৌ অমত্তগী হাক্তক্তা পানা লৈখিদবনা মমাঙদা হায়রিবা নোংদা লাইরেন পাখঙবা অমদি হৈ চক হয়া চক হাক্তক্তগী লৈকায়গী পানা লাকপা মরিনা চৈথাবা লাউই হায়বসি চৎনবা য়াদবা ৱাফমনি হায়বসি মশানা তাকচরে । মরমদি মতমদুদা পানা লৈত্রি।

এপ্রিল ১৩, ১৪গী গৌড়গী চৈরাউবসি অকক্ন বা ফুরুপ অমখক্কী নত্তে, গ্রহ-উপগ্রহ নুমিৎ-থাগী খোঙচৎতা লৌরগা পাঙথোকপনি। ঐখোয় মণিপুরীশিংগী চহী হৌবগী চৈরাউবা অসিদা তোঙানবা মশক অমা উরিবসিদি থোইদোক্না চাউথোকচনীংঙাইনি মদুদি চহী অমগী চৈরাউবা লাক্লে হায়দুনা যূম-কৈনচিংবা শেংদোক্তুনা অনৌবা মচু লৈতেংদুনা লূন-নান্না থম্বা অদুগা ময়ূম পানখ্রবী নিংঙোলশিংনা মপামগী মপা-মতোন, মবুং-মৌপ্পানচিংবগী মফমদা ফি, খুদৈ, ফুরিৎ, খোঙ্গ্রাওনচিংবা ঙমজবা খুদোল পীদুনা পুন্সিবা-নুংঙাইবা, য়াইফবা ওইরসনু হায়না য়াইফ-মঙ্গল পীবিরি, মসিনা মমা-মপা, মচিন-মনাও নুংশিনবগী চাউরবা মমি অমসু তারি। নুমিৎ অসিদা লাইদা ভোক লুক্লচিংবা অথুম-অহাও য়াওনা কৎতুনা চামিন্নগদবনে, লাইদা কৎতুনা চামিন্নবগী মহয়দি মচু মমেন ফৈএ, পুন্সি চাউথোকএ, কুম অদু চুপ্না লাইনা চিঞ্জাক ৱাত্তনা কুবিএ, মপোক খুদিংসু লন-থুম অফবা ফংজেএ, নুমিৎতুদা লাইদা কৎতুনা চাদ্রবদি মী অদু চিঞ্জাক্কী অৱাবা নংএ, মচু মমেন মকএ, লাইগী থৌজাল লৈতে, পুন্সি ময়েং তাইএ, নুমিৎ অদুদা ফি অহনবা হোংগদবনি।




লাইদা বিষ্ণুদা, মহাদেবদা, লাইনিংথৌদা, লৈমরেলদা কৎপগী হৈকৎ-লৈকৎ অদু চহী খুদিংগী পাঙথোক্লিবা অদুমক চপ মান্নৈ। অদুমক তৌবিয়ু। অদুগা অরিবা চহীনা লোইখিবা, অনৌবা চহীনা লাকপসিদা লায়না-তীলনা লৈতবা, তংদু লৈতাবা, ঈং-তপ্পা, শান্তি লৈবা ওইরসনু।

## মরোল থোকপা লাই

